যোগগী মহুৎতা থাঙ-তাবু কম্পলসরি সবজেক্ট ওইহন্নবা থবক লৌখৎপীয়ু ঃ কিমাক্স

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা যোগবু খ্বাইদগী ৱাংনা থাঙ্গৎপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিগী ওইবা স্কুল খুদিংমক্তা মার্ক চান্মগী কম্পলসরি সবজেক্ট অমা ওইগনি হায়না লাউথোক্লিবা অসি মণিপুরগী ওইনদি যোগগী মহুৎতা থাঙ-তাবু কম্পলসরি অমা ওইনা তমহন্নবা মণিপুর লৈঙাকনা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)না ফোঙদোরক্লি।

কিমাক্সকী সেক্রেটরি শাইখোম শান্তা মীতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, ইন্দিয়াগী যোগদা য়াওরিবা হকশেল কাঙলোল অমসুং পুক্নিং ৱাখল অয়ুর বেদগী ওইবা লায়েং কাঙলোনগী শরুকশিংদগী মণিপুরগী থাঙ-তাগী শরুক অমা ওইরিবা চিঙ্খোরোল অমসুং হিরিকোনবগী কাঙলোনশিংদা থোইদোক হেন্দোক্না যোগদগী হেন্না য়াওরে। লমদম অসিগী মীয়াম্না লমগী ষণনা মচি শাংবগী ৱাখল থাদোক্তুনা ঐখোয়গী লৈরিবা মশান্না অমসুং নাৎ-চৎনবীগী ওইবা কাঙলোনশিং অসি মালেমদা শক তাকহৌনবগী ৱাখল্লোল অদু ওইনা লৈবীগদবনি।

ইন্দিয়ানাইজেসন, হিন্দুইজম, কলচরেল ইম্পরিএলিজমদা মীশিং য়ামজদ্রবা ফুরুপ মচা অসিনা মখা তানা অদুমক ঈরাক্লদুনা লৈগদবা মতম অদু নৎত্রে। ইন্দিয়াগী লিরবা যোগদগী লমদম অসিগী থাঙ-তাগী কাঙলোনগী মনুং চল্লিবা চিঙ্খোরোল অমসুং হিরিকোনবগী কাঙলোন্না থোইনা হেন্না ৱাংই হায়বসি অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংবা চুমগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী যোগ হায়বসি হিন্দু লাইনীংদা য়ুম্ফম ওইবা স্কুল অমদগী হৌরকপনি। যোগবু পাত্তাঞ্জলি শাস্ত্রিনা লাইনীং অসিগী অরান খুভম ফংননবগী লম্বী কাংলোল অদু নৈনননবা লীংখৎলকপা স্কুল্লিং অদুদগী ইন্দিয়াগী মনুং অমসুং মপান্দা শন্দোক্লরকখি। অসুম্না লাকখিবনা কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ২৭তা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৬৯শুবা মীফমদা যোগবু মালেমগী ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীবিনবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুখৎখি। অসুম্না জুন ২১ অসি মালেমগী যোগগী নুমিৎ হায়না শক খঙখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী লিরবা যোগ মশান্না অসিদগী হেন্না কুপশিনবা অমসুং অৱাংবা ৱাখল্লোন্দা লমচৎ-শাজৎ পুক্নিং-ৱাখল মশা মউ ফবা থকশি-খাশিগী কাঙলোল নাইবা চৎন-কাঙলোল কয়া চিঙ্খোরোল অমসুং হিরিকোনবগী কাঙলোনশিংদা য়াওরি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুরীশিংগী থাঙ-তা হায়বা অসিনা য়েক্লবদগী মশা ঙাকথোক্লনবায়েক্লবগী মথক্তা লান্দা-কাঙলোল শান্ন-খোৎনবা, জগোয়,ঈশৈ, নাৎ, চৎনবী, লাইনীংলোল, য়ুম্বাল্লোল কয়াসু শুনা য়াওরে। থাঙ-তা হায়বসি মমাঙঙৈ মতমগীদি তঙাই ফদ্রবা মী অমগী এদ্যুকেসননি। মসিনা পিক্লবসু ফুরপ অসিনা মনীং তম্না অৱাংবা নাৎ-চৎনবী অমা শাগৎতুনা লমদম অসিবু মালেমগী মশান্নশিং অমসুং নাৎ-চৎনবীগী মরু ওইবা লমদম অমা ওইনা শেমগৎলকখিবনি।

হন্দক ইন্দিয়া লৈঙাকনা যোগবু মফম কয়াদা পাক শন্না মসিগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লনবা শীল্লকখিবগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোল অমসুং মরু ওইবদু করিনো হায়বদু মীয়াম্না হঙ্গৎনা নৈনবা চঙই। লৈঙাক অসিনা য়ু এননা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরম নুমিৎ কয়া লৈরবসু পাঙথোখিদবা, নীংবা ফাওবা নীংশিংখিদবা কয়া লৈ। লমদম অসিগী মীয়ামগী ওইনদি দিসেম্বর ১০ ইন্টর্নেস্নেল হ্যুমেন রাইটস ডে, মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমিৎ ওগষ্ট ৯ অমসুং জুলাই ২৬ ইন্টর্নেস্নেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংনচিংবা অসি পাঙথোকপনা হেন্না মরু ওইবা ৱাহন্থোক লৈবা নুমিৎ অমা ওইগনি। কিমাক্সনা হঙজনিংলিবদি দ্রগনা লাকহৎলবা খুন্নাই অসিদী দ্রগকী চৈথেংনা অশি-অনা, কাং-খোং চাইরবা খুন্নাই অসিদা লৈঙাক অমসুং মীয়াম হুপ্না করিগীদমক মালেমগী দ্রগকী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ থৌরম মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা পাঙথোক্লিবা করিগীনো হায়বসিনি হায়রি।

লমদম অসিগী মীয়ামদা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং খোঙ্গাওনবগী অফস্পাগী মিংদা মীওই লিশিং কয়া হাৎখ্রবা মীওই লাখ কয়া অওৎ-অনৈ নংলিবা লমদমসিদা করিগীদমক দিসেম্বর ১০গী থৌরম অসি পাঙথোক্তবনো? মসিদা কিমাক্সনা হায়নিংলিবদি মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরম নৎত্রগা মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোল অসি ঐখোয় ইশানা ইশাবা হিংজনবা চাউখৎপা ফুরুপ অমা ওইহন্নবা ঐখোয়গী ফংফম থোকপশিং কঞ্জগদবা থৌরমশিং ওইনা পাঙথোকপনা চুমগনি। মসিগা লোয়ননা মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোনসু ঐখোয়গী ওইবা য়ুম্ফম কাঙলোন্দা শাগৎতুনা শেমগৎকদবনি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাকনা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীজ এক্ট থবক্তা ওন্থোকউ নৎত্রগা ৱিদ্রো তৌ ঃ মালা

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুরদা লাইব্রেরী বিল পাস তৌবা চহী ২৭ ফারবা ফাওবা মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্তবা হায়বসি লাইবক থীবনি। মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীজ এক্ট অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু নৎত্রগা চেদা অসুম লৈহনগদবা ওইরবদি ৱিদ্রো তৌবীয়ু হায়না মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন (মালা)গী প্রসিদেন্ট কাংজম চাউবনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়াগী ষ্টেট করনাটকা, টামিল নাদু, কেরেলা, অন্ধ্র প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গলনচিংবা অতৈ ষ্টেটশিংদা লাইব্রেরী চাউখৎলিবা অদুগুম্না মণিপুরদসু পব্লিক লাইব্রেরী সিষ্টেম অসি চাউখৎহন্নবগীদমক মালানা অকনবা ঈহৌ চঙশিনবদগী মণিপুর লৈঙাকনা হৌখিবা কুমজা ১৯৮৮গী ওগষ্ট ১দা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীজ বিল মণিপুর এলেমব্লিদা পাস তৌদুনা এক্ট ওনবদগী রুলসনচিংবা লোইনা শেম্বা লোইখ্রে, অদুবু থবক্তা ওন্থোক্ত্রে হায়না মালাগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাউবনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১৯দা অসিগুম্বা লাইব্রেরীগী এক্ট অসি লৈনখ্রে। তামিল নাদুদা কুমজা ১৯৪৮দা ইহান হান্না লৈখি। মণিপুরনা ৬শুবা ষ্টেটনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা পাব্লিক লাইব্রেরীজ এক্ট থবক্তা ওন্থোক্তুনা পব্লিক লাইব্রেরীগী ওইবা তোঙানবা দিরেক্টোরেট থমদুনা লাইব্রেরী চাউখৎখ্রে হায়রি।

মীওইবা খুন্নাইনা চাউখৎলকপা হায়বসি খুন্নাইদুগী মীয়াম্না লাইরিক-লাইশু হৈবা অমসুং ৱাখল-লৌশিং মপুং ফানা লৈবগী মখা পোল্লি, মীওইবা ঐখোয়না লাইরিক পাদুনা ৱাখল-লৌশিং তানশিনবগী থবকসি লোইবা নাইদে। নাওশুমদগী হৌরগা মংফমদা লোই হায়নরিবনি। অসিগুম্বা ৱাখল-লৌশিং তানশিনফম অসি লাইব্রেরীনি। অদুনা লাইব্রেরী হায়বা অসি ৱাখল-লৌশিংগী ঈফুৎনি অমসুং লৌশিংগী মঙালনি।

মীয়ামদা কান্নবা পীরিবা, মরু ওইনা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয় নহারোলশিংদা লাইরিক-লাইশু পাবগী হৈনবী শাগৎতুনা তুংগী মতিক চাবা অফবা য়ুম্বীরেল শেমগৎফম ওইগদবা লাইব্রেরীগী ফীভমসি মণিপুরদা য়াম্না শোখরি। ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরীদা মতিক চাবা লাইরিক পাফম কা লৈতে, রিদিং রুমগী ফরনিচরশিং মতমগা চুনবা লাইরিক পাবা মীশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইদে। কম্পিটিটিব ইগজামিনেসননচিংবগী মতমদা লাইরিক পাফম চন্দবগী অৱাবা ওই। তশেংনমক কম্পিটিব ইগজামিনেস থাগদবশিংগীদমক অখন্নবা লাইরিকশিং লৈদুনা তোঙানবা রিদিং রুম থম্বা চুম্মী। মীমান্নদ্রবশিংগী মরু ওইনা মমীৎ উদ্রবশিংগীদমক ‘ৱা-ঙাংবা লাইব্রেরী’গী থৌরাং পায়খৎপিদুনা কান্না পীবিবা চুম্মী হায়রি।

চীং অমসুং তমগী দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরীশিং মপুং ফানা থবক তৌদ্রিবসি তৌহন্নবা হোৎনবা চুম্মী। মণিপুরগী ক্লব-লাইব্রেরীশিংদা চহী খুদিংগী রাজা রামমোহন রোই লাইব্রেরী ফাউন্দেসনগী শেন্থং মখাদা পীরিবা লাইরিক অমসুং উপুসিং অসি অরেম্বদা শেল মাঙহনবগুম্বনি। মরমদি মণিপুরগী ক্লব লাইব্রেরী অয়াম্বা নীংথিনা থোঙ হাংদুনা মথৌ তৌদে। মসিগী মরম থিদোক্তুনা ফজনা তৌহন্নবা লৈঙাকনা লাইব্রেরীগী লাইব্রেরীয়ান নৎত্রগা ক্যার টেকরগী থা থাগী অৱামল পীননবা লাইব্রেরীশিংদা শেল থুমগী তেংবাং পীগদবনি, মসিগীদমক্তা লৈঙাকনা বজেটতা শেম হাপ্পিগদবনি হায়রি।

মহৈশঙশিংদসু লাইব্রেরী অসি তঙাইফদবনি। হৌজিক ফাওবদা শেমখিবা ইন্দিয়াগী এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা কমিটি, কম্মিসন পুম্নমক্না মহৈশঙশিংদা মতিক চাবা লাইব্রেরী থমগদবনি হায়না রিকম্মেন্দ তৌরম্মী। মদুমক্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইবা নবোদয়া বিদ্যালয়া, কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়ানচিংবদা মতিক চাবা লাইব্রেরী থমদুনা মহৈরোয়শিংদা লাইব্রেরীগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। অদুবু ঐখোয়গী মণিপুরদদি স্কুলশিংদা লাইব্রেরী লৈতে। অদুনা মহৈরোয়শিংনা লাইব্রেরী করিনো খঙদে হায়রি।

খুদম ওইনা খ্বাইদগী লিরবা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরী স্কুল ফাওবদা লাইব্রেরীয়ান হাপ্তুনা লাইব্রেরী মথৌ তৌহন্দ্রি, মমিংতগী ওইনা কা অমদা লারিক খরা থমজিল্লগা লাইব্রেরী মালহল্লি। হায়র সেকেন্দরী থাক য়ৌরবা ফাওবদা লাইব্রেরী য়াওদনা লাইব্রেরীয়ান হাপ্তুনা অফবা স্কুল অমা ওইহনগনি, অফবা মহৈরোয় পুথোক্কনি হায়বগী মঙ মঙলিবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী থৌপুবশিংগী ৱাখল অঙকপনি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাকনা চহী খুদিংগী স্কুল লাইব্রেরীগীদমক্তা লুপা লাখ কয়া কয়াগী লাইরিক লৈদুনা চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরগী হায় স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরী স্কুলশিংদা পীথরি। পীথরিবা লাইরিকশিং অদু চৎন-কাঙলোল চুম্না লাইব্রেরীগী এক্সেসন রেজিষ্টারদা ইখৎলগা থমদবা, ইখৎপিনবা লাইব্রেরীয়ান লৈতবা, থম্ফম উপু লৈতবা মরম কয়ামুক্না স্কুলশিংদা অহিংবা লাইব্রেরী লৈতে। অদুনা লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থাধরিবা শেনফম অসি অরেম্বদা কান্নফম খঙদনা মাঙহল্লে. পুম্নমকসি থোক্তনবা হায় স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরী স্কুলশিংদা লাইব্রেরীয়ান হাপ্তুনা লাইব্রেরী অমমম থমগদবনি হায়রি।

মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ২৮ঃ লাক্লিবা জুন ২৯গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী মীৎয়েং মখাদা এমসু, য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা হন্দক পাঙথোকখিবা বোসেম, কোসেম অমসুং সী বি এস ঈনা লৌবা ইগজামিনেসন্দা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা রিসেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুল, শগোলতোংবদা পাঙথোক্কদৌরি। মরম অদুনা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং অমসুং চে-চাংশিং পীখৎখ্রবা মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগী স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎলগা লাক্তুনা থৌরম অসিবু শুরক য়াবীয়ু লোয়ননা লমদম অসোমদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিং, ইমা-ইবেলশিং, মহৈরোয়শিংনা মতম চানা লাকপিদুনা থৌরম অসিবু মপুং ফাহনবীয়ু হায়না এমসু, য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি সলাম সান্তোসনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

শান্তি মীশিগী খোঙজং মতম খরা হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ উখুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিতানগী রামরৈ ভিলেজদা কে এ শান্তিবু মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোক্লম্বগী মায়োক্তা জে এ সীনা ঙসি ফাওবগী মনুংদা মীহাৎ অসিগা মরী লৈনবা থবক পায়খৎপীনবা গভর্ণমেন্টতা দেথ লাইন পীখিবদু য়ানবা পুরকপদগী মতম খরা হন্দোক্লে। মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সী অমসুং গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ ওইরিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ভিক্তর কৈশিংগী মরক্তা ঙসি অয়ুক পুং ১১.২০ রোম তাবদা এম এল এ অসিগী রেসিদেন্সতা মীটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা য়ানবা পুরক্তুনা খোঙজং অসি মতম খরা হন্দোকখিবনি হয়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা জে এ সীগী মায়কৈদা সেক্রেটরি থেমসন জোজো, ভি আর সাইমন, সিন্দার, হেদ মেন, ভি আর চোনমি, এম কে তামি, টর্নর রাইহিং, ৱাই হেসিয়া অমসুং ময়ার্নি জাজো, প্রসিদেন্ট তাংখুল নাগা অজে লোংফাং, অঙম কৈশিং, কম্মিটি টি এন এ এলনা ওইখি। লোয়ননা অতোপ্পা গভর্ণমেন্টকী ওইবা মীহুৎশিংনা এম এল এ ভিক্তর কৈশিং, এস দি ও ফুংয়ার অমসুং এক্স-এম দি সী হোপিং জাজোনি হায়রি। মীটিং অদুদা এম এল এ ভিক্তর কৈশিংনা মরাল লৈবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোকপা ঙম্লবনিনা অথুবা মতমদা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মথং থাগী ১৫ ফাওবদা হায়রিবশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকপা অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং মরুওইনা পীক্লিবা মচা অহুমদা তেংবাঙ ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়বা ৱাফম অসিদা য়ানবা পুরকপদগী খোঙজং অসি হন্দোকখিবনি। মীটিং অদুদা তীনখিবা জে এ সী অমসুং অতৈ অতোপ্পা লুচিংবশিংগা য়ানবা পুরকপদগী লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা য়ানখ্রে হায়না জে এ সীগী সেক্রেটরি থেমসন জাজোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফিল্ম রিলীজ তৌগদবদু য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ কংলৈ মুভিজ ৱার্ল্ডনা পুথোকপা ‘কুন্দো পরেং’ হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অদু ঙসি রিলীজ তৌগনি তৌরম্বা অদু বন্দনা মরম ওইদুনা হয়েং জুন ২৯দ বোটতা ওইনা রিলীজ তৌরগনি। মণিপুরী ফিল্মবু ইন্টর্নেস্নেল থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবগী খোঙথাং ওইনা য়ু কে অমসুং নেদর্লেন্দজগী প্রদ্যুসরশিংগা খুৎশম্নদুনা পুথোকচবা ফিল্ম অসিবু কংলৈ মীয়াম্না তেংবাংবীয়ু হায়না কংলৈ মুভিজ ৱার্ল্ডগী প্রদ্যুসর সমানন্দনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোয়শিং পুক্নিং থৌগৎতুনা খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), লংথবাল ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা নিংথেমচা কারোংদগী নিঙোন্থম, কোদোমপোকপী য়াওনা হন্দক্কী বোর্দ, কাউন্সিল অমসুং সী বি এস ঈগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী ইগজামিনেসন্দা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয়শিংবু ওকপগী থৌরম অমদা চাদা ৭০ অমসুং ৮০ ফংবা মহৈরোয় ৪৫, শিংদা পুক্নিং থৌগৎতুনা অঙন্বা খুদোল তমখ্রে হায়রি।

এমসু, লংথবাল ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি অনিশ য়ুমখাইবমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী এম এল এ, আর কে আনন্দনা অথোইবা লেঙবীরকপা, এমসু, ময়াই লোইশঙগী প্রসিদেন্ট সনসম সুবাসচন্দ্রনা থৌরম মপু, মণিপুর গভর্নমেন্টকী প্রজেক্ট মেনেজর, হেন্দলুম লাইফ্লকপম দিজমণি অমসুং মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাউবনা ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা কাংজম চাউবনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৮৮তা মণিপুর এসেমব্লিগী মীফমদা পাস তৌখ্রবগী মতুংইন্না মণিপুরদা লৈরিবা হায়র সেকেন্দরী , কোলেজশিংদা লাইব্রেরীশিং মতিক চানা থম্বা হায়বদু ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাকনা থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রি। কোলকতা নেস্নেল লাইব্রেরীদা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা লৈদুনা সেকেন্দ অমদা খঙনিংবা ইনফোর্মেসন খঙবা ঙম্লে। অশুম্না লমদমসিগীসু ৱাখল-লৌশিং ওইগদবা লাইরিকশিং মহৈরোয়শিংদা ফংহন্দুনা ইন্টর্নেস্নেল এরেনাদা কম্পিটিসন তৌবা য়াবা মহৈরোয় পুথোক্তুনা হ্যুমেন রিসোর্স পুথোকপা, চাউখৎহনবা চঙই । মণিপুর ষ্টেট লাইব্রেরী অসিদা মহৈরোয় ২৫/৩০ ফাওবদগী হেন্না লাইরিক পাবগী খুদোংচাবা ফংদ্রি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, আর কে আনন্দনা মণিপুরগী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংদা লৈপাক অসিগী খুন্নাইগী পুন্সিরোলন্দা চরাংনবা বন্দ, ব্লোকেদ কয়ানা হোৎননিংবগী ঈনোৎ অমা মাঙহনবগুম তৌরি, অদুবু মতমগী মমল খঙনা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল-লৌশিং ফংনবা মহৈরোয়শিংনা মখা তানা হোৎনবা মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

এমসু, ময়াই লোইশঙগী প্রসিদেন্ট সুবাসচন্দ্রনা মহৈরোয় হায়বসি মীয়ামগী চৎনরোল অমসুং পুন্সি মহিংদগী লাপথোক্তুনা খক চৎপা য়ারোই, লাইরিক হৈরগা মার্ক য়াম্না ফংলবসু ইমুং মনুং অমসুং খুন্নাই অসিগী মীয়াম্বু নুংশিবা ঙমদ্রবদি কাং খোং চাইরবা এদ্যুকেসন সিষ্টেমঅমগী মহৈরোয়নি হায়না লৌবা য়াই, অদুনা মমা লৈপাক মরমদম্বু নুংশিবা ঙম্বা মহৈগী কাঙলোল চঙই হায়না থৌরদুদা ফোঙদোকখি হায়রি।

লৌনস্বাল কায়গে তৌরম্বদগী মীয়াম্না কনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮(ঐচ এন এস) ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মণিপুরদা নোং লেপ্তুনা তাবনা মরম ওইদুনা ৱাঙ্গেই এ সীগী মনুং চনবা ৱাঙ্গেই মখা লৈকায় অমসুং নম্বোল এ সীগী খা শঞ্জেনবম অনীগী মরক্তা চেল্লিবা নম্বুল তুরেলগী লৌনস্বাল অসি তুরেল মনুংদা তাওথরকপা নাপী-শিংবী ফত্ত-হৌদিশিংনা কিলোমিটর অনীরোম ফুন্নগৎপনা মরম ওইদুনা খুদোংথীবা চাংদগী হেনগৎলক্তুনা মিটর ২০০রোমগী চাংদা কায়গে তৌরম্বদগী ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট শগোলশেম অচৌবগী লীচিং মখাদা মনাক নকপদা লৈবা ৱাঙ্গেই অমসুং খা শঞ্জেনবমগী মীয়ামগা লোয়ননা খুদোংথীবা অদুদগী কলহৌরে হায়না য়ুথ’স ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সী ঐচ বিরানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক থোকফমদা জে সী বি অমসুং দিপরনচিংবা লনাই ওইনা পুথোক্তুনা এস অচৌবা অমসুং মফমদুগী মীওই কয়ানা মতেং পাংখি। অসিগুম্বা মীয়ামগী মমল য়াল্লবা লন-থুম মাঙবা য়াবা তাঞ্জা অদুদা টেলিফোন্দা এস অচৌবা মশামক্না আই এফ সী দিগী চীফ ইঞ্জিনীয়ারদা মরী লৈনবা ষ্টাফ থাবিরক্লবা হায়জখ্রবসু দিপার্টমেন্টকী মীওই অমত্তা লাকখিদববু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

অসিগুম্বা মীয়াম্না কোকথক্তা খুৎ হাপ্তুনা ৱানরিবা মতম অসিদা দিপার্টমেন্টকী মীওই অমত্তা লাকখিদবা, মথৌদা পুক্নিং চঙদবা ওফিসএলশিং অসিগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপিনবা মরী লৈনবা আই এফ সী দিগী মিনিষ্টরদা লমদসিগী মীয়ামগী য়েংলগা ৱাকৎকনি। খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কিলোমিটর ২ রোম শাংবা লৌনস্বাল অসি অথুবা মতমদা রিটেনিং ৱাল শেমজিন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিজদা তকশিল্লগনি হায়নসু শগোলশেম অচৌবনা ফোঙদোকখি হায়রি।

অসিগুল্লবা চিরবা তাঞ্জা অসিদা অচৌবা মশামক য়াওনা অঙন্বা মতেং পাংবিদুনা খুদোংথীবা অদুদগী কনবিগীদমক্তা থাগৎচরি। নম্বোল এ সী এম এল এনসু অঙন্বা মতেং পাংবিরকপগীদমক থাগৎচরি। অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অসি অমুক হন্নাথোকহন্নিবিদনবা মরী লৈনবা ওথোরিগী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়রি।

এস এফনা লালহৌবশিং ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৮(ঐচ এন এস) ঃ

হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) না হৌখিবা জুন ২২দা আই জি এ আর অসিগী মখাদা লৈবা ৪৫ সেক্টর এ আরগী ৪৫ অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী কাঙবু অমগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংগ্রেনদা ওপরেসন চথবদা এন আর এফ এমগী কাদর অমা ফারে হায়না হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফারবা অদু ইম্ফাল ইষ্টকী নোংগ্রেন মনিং লৈকায়দগী সোরোখাইবম য়াইস্কুলগী মচানুপা সোরোখাইবম রোমিচন্দ্র এলিয়স উরিবা এলিয়স চিংলেম্বা (৩০) কৌই। মহাক লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে।

অতোপ্পা অমনা, হৌখিবা জুন ২৩দা আই জি এ আর অসিগী মখাদা লৈরিবা ৯ সেক্টরগী ৪৫ এ আরগী কাঙবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দোগা পুন্না খুরাইদা ওপরেসন চথবদা য়ু পি আর এফকী ওভর গ্রাউন্দ ৱার্কর অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু পৌবিতেক মমাঙ লৈকায়দগী এম দি খামৈ খানগী মচানুপা এম দি হেলান খান (৩১) কৌই। মহাক হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদসু হৌখিবা জুন ২৫দা আই জি এ আরসিগী মখাদা লৈরিবা ২৮ সেক্টর এ আরগী ২২ এ আরগী কাঙবু অমনা ককচিং লমখাইদা ভেহিকল চেক পোষ্ট হাংদুনা চেক তৌবদা প্রিপাক্কী কাদর অমা ফারে। ফারবা অদুনা ৱাবগাই তেরা পিশক্তগী অসেম ইবুঙোগী মচানুপা এ সঞ্জিৎ (২৯) কৌই। মহাক ককচিং পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

দেসামনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮(ঐচ এন এস) ঃ

দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস’ এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না লমদম অসিদা মহৈ-মশিং তম্বকী কাঙলোনবু হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং দেসামগী অখন্নবা কাঙবু অমনা বেঙ্গলি হায় স্কুল, বাবুপারাদা য়েংশিনখ্রে হায়না দেসাম, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এল সানুকুমারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়েংশিন-খোঙচৎ অসিদা স্কুল অসিদী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী ওন্ন-তৈনবদা মহৈরোয় ১০৩ অমসুং ওজা ১৬ লৈবসিদা অনী অমদি য়ুটিলাইজ তৌরকপনি। ওজা ১৬ অসিগী মনুংদগী ঐচ দোলেন্দ্রো হায়রিবা ওজা অসি এদ্যুকেসন (এস)গী দিরেক্টোরেটতা য়ুটিলাইজ তৌখ্রগা হৌজিক হৌজিক ওজা ১৫না মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীবগী থবক তৌহৌরি।

লাইবক থীবদি নুপা-নুপী পুন্না তম্বা স্কুল অসিদা টোইলেট অমখক লৈরম্বা অসিনি। ওজাশিংগী ষ্টাফ রুমদা টিচর’স ষ্টে হোমগী শেমগৎ-শাগৎপগী শিন্মীশিংনা লৈশিনখিদুনা ওজাশিংনা ষ্টাফ রুম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি হায়রি। মতাং অসিদা ঙক্লিবদি মতৌ করম্না লৈঙাক্কী মকোক ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরমক্না অরানবা ৱাফম অমা স্কুল অসিগী মতাংদা ফোঙদোক্লিবনো হায়বা অসিনি। মফম য়াম্না চাবা ইম্ফাল ময়োল মক্তদা লৈবা স্কুল অসিদা লৈঙাকনা অকনবা মীৎয়েং চঙবিরবদি স্কুল অসি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদগী য়াম্না হেন্না ফগৎপা স্কুল অমা ওইবা ঙমগনি হায়না দেসামনা খল্লি হায়রি।

CREATIVE WORLD
BUSINESS & COMPUTER ACADEMY
ADMISSIONS OPEN
CAREER COURSES IN COMPUTER
Certificate Course
From DREAMS To REALITY
+91 - 897 - 451 - 466 - 1
& 879 - 427 - 847 - 8
Start Class Timing: 6:30 am to 5:30 pm
BASIC COMPUTER
(abc of Computer, Enternet & Typing)
MS. OFFICES
ANIMATION ENGINEERING
3D MODELLING - MAYA/3Ds MAX
FLASH ANIMATION
WEB DESIGNING
GRAPHIC DESIGN
VIDEO EDITING
FINE ART , DTP
Meitei Mayek Tutorials
Children & 40year up 20% off
www.facebook.com/creativeworld imphal
DEVSISU BLDG Uripok, Haobam Dewan leikai (inside Ground floor), Near JAS GAS Oil pump, URIPOK KANGCHUP ROAD, IMPHAL-1
HL-P/2555/10/6 to 9/7

DUTTA CLINIC

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।



তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফন্বী পাবা, ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ৱেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙম্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

য়ু করম্না থাদোক্কনি :
য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খংহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/2359/29/4-28/5

পুন্সি লৈপুন্নগীদমক

বর পামজৈ

১। চহী ৩০ মুক শুরে। কুচু ঙৌই। ৫ ৪ 'মুক ৱাংই।এম এসসী, বি এদ পাস তৌরে। য়েক নিংথৌজানি। প্রাইভেট হায়র সেকেন্দরী স্কুল অমদা ওজা ওইরি। মশাগা চান্নগদবা চহী ৩২ গী মথক ওইবা এদ্যুকেটেদ ওইবা মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈজবা বর অমা য়েংজরি।
২। চহী ৩২মুক শুরে। কুচু ঙৌই । ৫ ২'' মুক ৱাংই । এম এসী পাস তৌরে। দাইভোর্সিনি।সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী থবক অমা তৌরে। মশাগা চান্নগদবা চহী ৩৫ গী মথক ওইবা এদ্যুকেটেদ ওইবা মপাল লমদা থবক তৌবা বর অমা য়েংজরি।
৩। চহী২৮ মুক শুরে। কুচু ঙৌই। ৫ ৩'' মুক ৱাংই। গ্রেজ্যুএট পাস তৌরে। য়েক অঙোমনি। মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা থবক অমা তৌরে। মশাগা চান্নগদবা চহী ৩২ গী মথক ওইবা গভর্নমেন্টকী থবক অমা তৌবা বর অমা য়েংজরি।
৪। চহী ৩৪ মুক শুরে।কুচু ঙৌই। ৫ ২'' মুক ৱাংই। বি এ পাস তৌরে। য়েক লুৱাংনি ।মশাগী ওইবা ইমব্রোইদরি তৌরি। মশাগা চান্নগদবা চহী ৩৬কী মথক ওইবা এদ্যুকেটেদ ওইবা বর অমা য়েংজরি।
৫। চহী ৩৫ মুক শুরে। কুচু ঙৌই। ৫ ২'' মুক ৱাংই। এম এসসী পাস তৌরে। য়েক মঙাংনি। এইদেদ কোলেজ অমদা লেকচরর ওইরি। মশাগা চান্নগদবা চহী ৩৭ গী মথক ওইবা এদ্যুকেটেদ ওইবা বর অমা য়েংজরি।
৬। চহী ৪০মুক শুরে। কুচু ঙৌই । ৫ ৩'' মুক ৱাংই। বি এসসী পাস তৌরে। ৱিদোনি । মশাগা চান্নগদবা চহী ৪০গী মথক ওইবা এদ্যুকেটেদ ওইবা বর অমা য়েংজরি।

কন্যা পামজৈ

১। চহী ৩০মুক শুরে। কুচু ঙৌই। ৫ ৮'' মুক ৱাংই। বি ঈ পাস তৌরে। য়েক মঙাংনি। প্রাইভেট কম্পনি অমদা থবক তৌরি। মশাগা চান্নগদবী চহী ২৮গী মখা ওইবী এদ্যুকেটেদ ওইবী কন্যা অমা য়েংজরি।
২। চহী ৩২মুক শুরে। কুলৈ কুচুনি। ৫ ৮' মুক ৱাংই। এম এসসী পাস তৌরে। য়েক অঙোমনি। মণিপুর গভর্নমেন্টকী গ্রেদ ৱান ওফিসারনি। মশাগা চান্নগদবী চহী ৩০ গী মখা ওইবী গভর্নমেন্টকী থবকঅমা তৌবী কন্যা অমা য়েংজরি।
৩। চহী ৩৫ মুক শুরে। কুচু ঙৌই। ৫ ৯'' মুক ৱাংই। গ্রেজুৱেট পাস তৌরে। য়েক নিংথৌজানি। মশাগী ওইবা বিজিনেস অমা তৌরি। মশাগা চান্নগদবী চহী ৩২গী মখা ওইবী এদ্যুকেটেদ ওইবী কন্যা অমা য়েংজরি।
৪। চহী ৩০মুক শুরে। কুচু ঙৌই। ৫ ৬'' মুক ৱাংই। বি এস সী পাস তৌরে। য়েক লুৱাংনি। মণিপুর গভর্নমেন্টকী থবক অমা তৌরে। মশাগা চান্নগদবী চহী ২৮গী মখা ওইবী গভর্নমেন্টকী থবক অমা তৌবী কন্যা অমা য়েংজরি।
৫। চহী ৩৭মুক শুরে। কুচু ঙৌই। ৫ ১০' মুক ৱাংই। মাষ্টর পাস তৌরে। ব্রাহ্মিন্নি। মশাগী ওইবা বিজিনেস অমা মায় পাক্ল তৌরি। মশাগা চান্নগদবী চহী ৩৩গী মখা ওইবী এদ্যুকেটেদ ওইবী গুদ লুকিং ওইবী কন্যা অমা য়েংজরি।
৬। চহী ৩৪মুক শুরে। কুচু ঙৌই। ৫ ৭'' মুক ৱাংই। টেন প্লস টু পাস তৌরে। য়েক খুমন্নি।প্রাইভেটকী থবক অমা তৌরি। মশাগা চান্নগদবী চহী ৩০গী মখা ওইবী এদ্যুকেটেদ ওইবী কন্যা অমা য়েংজরি।

নুপাগী নুমিৎ : লৈবাকপোকপা, শগোলশেল নুপীগী নুমিৎ : য়ূমশকৈশা, ইরাই থাংজ খুদিং ছুটি ওইগনি। নোংমাইজিং নুমিৎ হাংগনি

কেঐচ টিকেন সিংহ, মোবাইল নম্বর : ৯৮৫৬০৮০৩৮১
মেট্রিমোনিএল গাইদেন্স সেন্টর
উরিপোক পোলেম লৈকাই, ইম্ফাল - ১
(ট্রাই ষ্টার গ্রুপ)
ওফিস মতম ঃ অয়ূক পূং ১০দগী নুংথিল পূং ৪ ফাওবা
e-mail : matrimonial.manipur@gmail.com

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1587

9		5						
			3			5		
	6	4					7	3
	8			5	3		9	
7			8		2			6
	4		7	6			1	
8	9					6	4	
		6			7			
						8		9

Solution-1586

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

6	3	5	1	9	4	7	2	8
7	9	1	8	5	2	6	3	4
8	2	4	7	6	3	9	1	5
3	5	2	9	4	6	8	7	1
1	4	8	3	2	7	5	9	6
9	7	6	5	8	1	3	4	2
2	6	3	4	7	5	1	8	9
5	1	9	2	3	8	4	6	7
4	8	7	6	1	9	2	5	3

CROSSWORD-1782



ACROSS

1 Adversary (8)
6 Nervous twitch (3)
9 Swimming stroke (5)
10 American reindeer (7)
11 Ignorant, not cognisant (7)
13 Lifeless (5)
14 Apprehensive, edgy (6)
15 Exploding firework (6)
18 First sign of the zodiac (5)
20 Mean, medium (7)
21 Immediate (7)
22 Power (5)
23 Information (3)
24 Reject (4,4)

DOWN

2 Appease, pacify (7)
3 Lubricant (3)
4 Surpass (6)
5 Bring to an end (9)
6 Board (5)
7 Forgeries (12)
8 Amassing (12)
12 Helper (9)
16 Scottish city (7)
17 Fried fish coating (6)
19 Norwegian dramatist (5)
22 Wet soft earth (3)

Solution 1781

■	1 O	2 P	P	3 O	N	4 E	N	5 T	■	6 T	I	7 C
8 A	■	L	■	I	■	X	■	E	■	A	■	O
9 C	R	A	W	L	■	10 C	A	R	I	B	O	U
C	■	C	■	■	■	E	■	M	■	L	■	N
11 U	N	A	W	12 A	R	E	■	13 I	N	E	R	T
M	■	T	■	S	■	D	■	N	■	■	■	E
14 U	N	E	A	S	Y	■	15 B	A	N	16 G	E	R
L	■	■	■	I	■	17 B	■	T	■	L	■	F
18 A	R	19 I	E	S	■	20 A	V	E	R	A	G	E
T	■	B	■	T	■	T	■	■	■	S	■	I
21 I	N	S	T	A	N	T	■	22 M	I	G	H	T
N	■	E	■	N	■	E	■	U	■	O	■	S
23 G	E	N	■	24 T	U	R	N	D	O	W	N	■

SOLUTION ON NEXT ISSUE